


# সনালৈবাক স্পোর্টস

**IMPHAL, WEDNESDAY, FEBRUARY 13, 2019 PAGE 7**




*ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লব আর্সনেলদা চহী ১১ শান্নরল্লবা মতুং ইটালিগী ফুটবোল ক্লব জুবেন্টসতা শান্ননবগীদমক কোন্ট্রেক্ট সাইন তৌনখ্রবা আরোন রামসে*

*ইন্দিয়াগী ক্রিকেট এ টিমগী বেট্টিং কোচ ওইনা এপোইন্ট তৌখ্রবা মমাঙদা লৈবাক অসিগী ক্রিকেট টিমগী ওপনর ওইরম্লবা ভিক্রম রাথোর*

## ৱুমেন টি–২০ বেট্টিংগী রেঙ্কিংদা ইন্দিয়াগী রোড্রিগেজ অনীশুবা পোজিসনদা হাইগৎখ্রে, মন্ধনা ৬শুবদা লৈরি

*দুবাই, ফেব্রুৱারি ১২ঃ*

ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সি সি) না ঙসি ফোঙদোরকপা নুপীগী টি–২০ রেঙ্কিংগী বেট্টিংদা ইন্দিয়াগী ইনিদয়াগী জেমীমাহ রোড্রিগেজনা কেরিয়রগী খ্বাইদগী ফজবা ওইনা ২শুবা অমদি ৬শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়াগী নুপী ক্রিকেট টিম্না হন্দক্তা ন্যু জিলেন্দগা শান্নখিবা মেটচ ৩ গী টি–২০ সেরিজ অদুদা ইন্দিয়া মেটচ ০–৩ দা মায়থিবা নংখিবনি। অদুবু মেটচ অহুমদা ইন্দিয়াগী বেটসৱুমেন জেমীমাহ রোড্রিগেজনা পুন্না রন ১৩২ লৌদুনা ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখিবদগী হান্না লৈরম্বা ৬শুবা পোজিসনদগী থাক ৪ হাইগৎলগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখি।

মমাঙ চয়োলদা অহানবা পোজিসনদা লৈখিবী ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বেটসৱুমেন স্মিৃতি মন্ধনা ন্যু জিলেন্দগা শান্নখিবা সেরিজ অদুদা ফজবা ঙমখিদবদগী ৬শুবা পোজিসনদা হন্থখি।

বেট্টিংদা ন্যু জিলেন্দগী সোফি দিভাইন হান্না ১১শুবা পোজিসনদা লৈরম্বদগী ৮শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখি। লৈবাক অসিগী কেপ্টেন এমী সাট্টর্থৱাইটেসু ইনিদয়াগা শান্নখিবা সেরিজ অদুদা ফজবা ঙমখিবদগী ২৩শুবা পোজিসনদগী ১৭শুবদা হাইগৎখি।



*ইন্দিয়াগী বেটসৱুমেন স্মিৃতি মন্ধনা (ওই) অমদি জেমীমাহ রোড্রিগেজ*

ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিলগী রেঙ্কিং লিষ্ট অসিদা ইন্দিয়াগী স্পিন বোল্লর রাধা যাদব ন্যু জিলেন্দগা শান্নখিবা সেরিজ অদুদা ৱিকেট ৪ লৌবা ঙমদুনা হান্না ১৮শুবা পোজিসনদা লৈম্বরা অদু ১০শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বোল্লর দিপ্তি শর্ম্মসু হান্না লৈরম্বা পোজিসনদগী থাক ৫ হাইগৎলগা ১৪শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখি।

ন্যু জিলেন্দগী বোল্লিংদা লিয়া টাহুলুনা হান্না লৈরম্বা পোজিসনদগী থাক ৫ হাইগৎলগা ১১শুবা পোজিসনদা লৈখিবা অসিনা টিম অসিগী খ্বাইদগী ফজবা বোল্লর ওইখি।

ওল রাউন্দরদা ৱেষ্ট ইন্দিজগী দিন্দ্রা দোট্টিননা খ্বাইদগী মকোক ওইবা ঙল্লি। দোট্টিননা হন্দক্তা পাকিস্টানগা শান্নখিবা সেরিজ অদু ২–১ দা লৌবদা চাওনা মতেং পাঙবা ঙমখি। সেরিজ অদুদা দোট্টিননা রন ১৫৮ লৌবা ঙমখি। অদুগা ৱিকেটসু ৩ লৌবা ঙমখি।

পাকিস্টানগী কেপ্টেন বিসমা মারুফ টিমমেট জেভেরিয়া খানগা পুন্না ১৫শুবা পোজিসনদা লৈমিন্নরি। ওদিআই ফোর্মেটতা পাকিস্টানগী সানা মিরনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি।

টি–২০ টিম রেঙ্কিংদা ওষ্ট্রেলিয়াগী নুপী ক্রিকেট টিম্না খ্বাইদগী মকোক ওইরি। ন্যু জিলেন্দনা ইন্দিয়াবু মেটচ ৩–০ দা সেরিজ লৌখিবদগী অনীশুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখি। ইংলেন্দনা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈরগা ৱেষ্ট ইন্দিজ অমদি ইনিদয়ানা মথংশিংনা ৪শুবা অমদি ৫শুবা পোজিসনদা লৈরি।

## ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কী এ টিম্না ফ্রান্সকী এ টিম্বু পাঞ্জল ২–০ দা থোইদুনা সেরিজ ২–১ দা মাঙজিল থাখ্রে

*লক্ষনৌ, ফেব্রুৱারি ১২ঃ*

ইন্দিয়ানা যুম্বু ওইদুনা লৈবাক অসিগী নুপী হোক্কী এ টিমগা ফ্রান্সকী এ টিমগা শান্নরিবা হোক্কী সেরিজ অসিগী মনুং চন্না ঙসি উত্তর প্রদেশকী সিটি লক্ষনৌদা লৈবা পদ্মা শ্রী মোহমদ সাহিদ সিন্থেটিক হোক্কী ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অহুমশুবা মেটচতা ইনিদয়ানা ফ্রান্সপু ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা সেরিজ অসি মেটচ ২–১ দা মাঙজিল থাখ্রে।

নীংশিংবা য়াই সেরিজ অসিগী মমাঙদা শান্নখিবা মেটচ অনীদা মেটচ অমমম থোইনদুনা মান্ননা লৈরিবনি।

ঙসি ইন্দিয়া অমসুং ফ্রান্সনা শান্নখিবা অহুমশুবা মেটচ অসি হৌরকপদা ফ্রান্সকী শান্নরোইশিংনা দোমিনেট তৌদুনা লাকখি। অদুবু ইন্দিয়াগী দিফেন্সন য়াম্না ফজনা লৈখিবদগী পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদনা লাকখি।



অমরোমদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনসু অহানবা হাল্ফকী শান্নরকপা অদুদা খুদোংচাবা ফংবা খুদিংদা পাঞ্জল ওন্থোক্লবা হোৎনখি। অদুবু অহানবা হাল্ফতা লৈবা ক্বার্টর অনী শান্নবা লোইশিনখ্রবা ফাওবা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপা যুম্বু টিম ওইখিবা ইনিদয়াগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা লাকখি। শান্নবগী ৪৬শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা মমতাজ খাননা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমদুনা মাঙজিল থাবা হৌখি।

মখা তানা শান্নরকপদা ফ্রান্সকী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল ওন্থোকপা য়াবগী খুদোংচাবা খরা ফংখিবা অদু ইন্দিয়াগী টিম এগী গোলকিপর বিচু দেবী খারিবমনা ফিভম চানা লৈখিবদগী ফ্রান্সকী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

মখা তানা শান্নরকপদসু টিম অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা অমনা অমগী মায়কৈদা এটেক কয়া তৌনদুনা অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনদুনা লাকখি।

মতম কুইনা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখ্রবা মতুং মেটচকী অরোইবা মিনটতা পাঞ্জল অমা মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা ইনিদয়াগী এ টিমগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা য়াম্না ফজবা এটেক অমদা সর্মিলা দেবীনা পাঞ্জল অমগা হাপচিনবা ঙমদুনা মেটচ অদু ২–০ দা থোইরগা সেরিজ ২–১ দা মাঙজিল থাখি।

টিম অনীনা শান্নরিবা হোক্কী সেরিজ অসিগী মনুং চনবা মরিশুবা অমদি অরোইবা মেটচ হয়েং শান্নরগনি।

## স্পেনগী লা লীগা ফুটবোলদা দিপোর্টিভো অলাভেসনা লেভান্টেবু ২–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা পোইন্ট টেবলগী ৬শুবদা হাইগৎখ্রে

*মাদ্রিদ, ফেব্রুৱারি ১২ঃ*


স্পেনগী মকোক থোংবা ক্লবশিংগী ওইবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ২৩শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা দিপোর্টিভো অলাভেসনা লেভান্টেবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা ৬শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা বার্সেলোনা ফুটবোল টিম্না পুন্না মেটচ ২৩ শান্নবদা মেটচ ১৫ মায় পাকপা, মেটচ ৬ ড্রো চৎলগা মেটচ ২ মায়থিবা নংলগা পুন্না পোইন্ট ৫১ ফংদুনা লীগ টেবলদা খ্বাইদগী মকোক থোংদুনা চৎলি।

রিয়েল মাড্রিদনা মেটচ ২৩ শান্নবদা মেটচ ১৪ মায় পাকপা, মেটচ ৩ ড্রো চৎলগা মেটচ ৬ মায়থিবা নংদুনা পুন্না পোইন্ট ৪৫ ফংলগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরি। অদুগা এটলেটিকো মাড্রিদসু পুন্না মেটচ ২৩ শান্নবদা মেটচ ৮ মায় পাকপা, মেটচ ৮ ড্রো চৎলগা মেটচ ৩ মায়থিবা নংলগা পুন্না পোইন্ট ৪৪ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসনদা রিয়েল মাড্রিদকী মতুং নক্না ইন্নরি।

দিপোর্টিভো অলাভেস অমদি লেভান্টেনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদু হৌবদগী লম্বা মান্নরকখি। শান্নবগী অয়াম্বা মতমদা দিপোর্টিভো অলাভেসকী শান্নরোইশিংনা এটেক খরা হেনখ্রবসু পাঞ্জল চনশিনবা ঙমদনা লাকখি।

শান্নবগী ২৩শুবা মিনটতা এটেক হেন্না চত্থবা ঙমখিবা দিপোর্টিভো অলাভেসকী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা ভিক্টর লাগুৱার্দিয়ানা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মাঙজিল থাখি।



*দিপোর্টিভো অলাভেস অমদি লেভান্টেনা শান্নখিবা লা লীগা ফুটবোলগী মেটচ অমা*

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মিনট ২২ রোমগী মতম অদুদা শান্নরকপদা লেভান্টেগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনখিবা এটেকশিং অদু দিপোর্টিভো অলাভেসকী দিফেন্দরশিংনা থিংদুনা থমখিবদগী হাল্ফ অদু লোইশিনখিবা ফাওবদা দিপোর্টিভো অলাভেসনা ১–০ দা হেন্দুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নরকপদা টিম অনীমক য়াম্না পাঙ্গল মান্নরকখি। অমনা অমগী মায়কৈদা এটেক কয়া তৌদুনা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখ্রবসু মতম কুইনা ওইথোকপা ঙম্নদনা লাকখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা মতম কুইনা অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদ্রবা মতুং মেটচকী অরোইবা মিনটতা পাঞ্জল অমা মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা দিপোর্টিভো অলাভেসকী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা জোনিনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ২–০ দা মায় পাক্তুনা লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা ৬শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখি।

ইংলেন্দদা পাঙথোকপা মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙসি শান্নখিবা ২৬শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা ৱোলভরহাম্পটন ৱান্দরর্স অমদি ন্যুকেষ্টর য়ুনাইটেদ পাঞ্জল ১–১ দা ড্রো চৎখি।

শান্নবগী অহানবা হাল্ফতা য়াম্না লম্বা মান্নখিবদগী টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা ৬৫শুবা মিনটতা ন্যুকেষ্টল য়ুনাইটেদকী শান্নরোই ইসাক হেদেননা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাখি। মখা তাবা মেটচকী অরোইবা মিনটতা ৱোলভরহাম্পটন ৱান্দরর্সকী শান্নরোই ৱিল্লি বোলিনা পাঞ্জল মা চনবা ঙমদুনা মেটচ অদু ১–১ দা ড্রো চৎলগা লোইশিনখি।

## ইরানি কপ ঃ হনুমান ভিহারিগী সেঞ্চুরিনা মপুং ওইরগা রেষ্ট ওফ ইন্দিয়ানা অহানবা ইন্নিংসতা রন ৩৩০ লৌখ্রে

*নাগপুর, ফেব্রুৱারি ১২ঃ*

ইন্দিয়াগী ফার্ষ্ট ক্লাস ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ইরানি কপকী ৫৭শুবা ইদিসনগী ঙসি শান্নখিবদা হনুমান ভিহারিগী সেঞ্চুরিনা মপুং ওইনা রেষ্ট ওফ ইন্দিয়ানা অহানবা ইন্নিংসতা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ৩৩০ লৌখ্রে।

ইরানি কপ অসি ঙসিদগী হৌরগা ফেব্রুৱারি ১৬ ফাওবা মহারাষ্ট্রকী সিটি নাগপুরদা শান্নগদৌরিবনি। মসিদা রঞ্জি ট্রোফি ২০১৮–১৯ গী ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবা ভিদরভা অমদি রেষ্ট ওফ ইন্দিয়ানা যুম্বু তৌনখিবনি।

মেটচ অসিগী টোস রেষ্ট ওফ ইন্দিয়ানা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌরকখি। অহানবা নুমিৎকী শান্নবা লোইশিনখিবদা রেষ্ট ওফ ইন্দিয়ানা ৱিকেট ১০ মক আওট ওইখিবদা রন ৩৩০ লৌবা ঙমখিবনি।



রেষ্ট ওফ ইন্দিয়ানা অহানবা ইন্নিংস শান্নরকপদা মখোয়গী ওপনর অনমোলপ্রিত সিংহ বোল ২১ মায়োক্নরবা মতুং ফোর ৩ য়ৈরগা রন ২১ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

নৌনা চঙলকখিবা হনুমান ভিহারিগা অতোপ্পা ওপনর মায়াঙ্ক অগরৱালগা য়াম্না ফজবা বেট্টিংগী পার্টনর্সিপ অমা শেমদুনা টিম অসিগী স্কোর ১৫০ লাম্থোকহনবা ঙমখি।

ওপনর মায়াঙ্ক অগরৱালনা য়াম্না ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা বোল ১৩৪ মায়োক্নবদা সিক্স ৩ অমদি ফোর ১০ য়ৈরগা রন ৯৫ লৌরম্লগা আওট ওইখি। মতম অসিদা রেষ্ট ওফ ইন্দিয়াগী অপুনবা রন ১৭১ শুরকপদা ৱিকেট ২ আওট ওইখি।

নৌনা চঙলকখিবা কেপ্টেন অজিনক্য রহানে শুপ্নগী রন ১৩ লৌরম্লগা আওট ওইখি। ৫শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা শ্রিয়েস আয়রসু শুপ্নগী রন ১৯ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

মখা তানা চঙলকখিবা ইসান কিসন, কে গোথাম অমদি এ জাদেজা মথংশিংনা রন ২, ৭ অমদি ৬ লৌরম্লগা আওট ওইখি। অহুমশুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা হনুমান ভিহারিনা য়াম্না ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা বোল ২১১ মায়োক্নবদা সিক্স ২ অমদি ফোর ১১ য়ৈরগা রন ১১৪ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

৯শুবা বেটসমেন আর দি চাহরগী রন ২২ অমদি ১০শুবা বেটসমেন এ এস রাজপুটকী রন ২৫ টিম অসিগী শিংথাবা য়াবা স্কোর ওইখি।

ভিদরভাগী বোল্লিংদা এএ সারৱাটে অমদি ৱাখরেনা রেষ্ট ওফ ইন্দিয়াগী ৱিকেট ৩ / ৩ লৌবা ঙমখি। টিম অসিগী অতোপ্পা বোল্লর গুরবানিসু রেষ্ট ওফ ইন্দিয়াগী বেটসমেন অনী আওট তাহনবা ঙমখি।

## ওষ্ট্রেলিয়াগী থোমসন অমদি ইটালিগী লোরেঞ্জি ন্যু য়োর্ক ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে

*ন্যু য়োর্ক, ফেব্রুৱারি ১২ঃ*

য়ুএসএগী সিটি ন্যু য়োর্কতা ঙসিদগী শান্নবা হৌখিবা এটিপি টেন্নিস টুর্নামেন্ট ন্যু য়োর্ক ওপনগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচশিং মায় পাক্তুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী থোমসন অমদি ইটালিগী লোরেঞ্জি অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

ন্যু য়োর্ক ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৭শুবা সিদেদ শান্নরোই ওষ্ট্রেলিয়াগী জে থোমসননা য়ুএসএগী এন রুবিবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৬–৭(৯–৭), ৭–৫, ৬–১ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।



টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইটালিগী লোরেঞ্জিনা ৮শুবা সিদেদ শান্নরোই য়ুএসএগী টি সান্দগ্রেনবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৭–৬(৭–৪), ৬–৭(৪–৭), ৬–৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ওষ্ট্রেলিয়াগী টোমিকনা স্লোভাকিয়াগী লেক্তেংাবু ৬–৪, ৬–২ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা মেক্সিকোগী গোঞ্জালেজ অমদি পাকিস্টানগী উল হক কুরেসিনা য়ুএসএকী পেয়র বি ইভান্স অমদি জোন ইসনরবু ষ্ট্রেট সেট ৬–৩, ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

### ক্রোসৱার্দ ৭১ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| B | A | H | ■ | P | L | I | E | ■ | D | E | R | M | A | L |
| A | L | A | ■ | C | E | N | T | E | R | P | I | E | C | E |
| S | T | R | I | P | E | S | O | N | U | S | F | L | A | G |
| E | A | D | S | ■ | ■ | O | N | O | ■ | ■ | F | E | S | S |
| ■ | ■ | T | R | E | F | ■ | ■ | ■ | I | M | S | E | T | ■ |
| Y | A | O | ■ | M | A | C | R | A | M | E | ■ | ■ | ■ | ■ |
| E | N | G | L | I | S | H | A | L | P | H | A | B | E | T |
| A | N | E | T | ■ | T | A | N | I | A | ■ | R | E | P | O |
| H | I | T | C | H | C | O | C | K | S | S | T | E | P | S |
| ■ | ■ | ■ | ■ | R | A | S | H | E | S | T | ■ | S | S | S |
| ■ | C | I | D | E | R | ■ | ■ | ■ | E | D | I | T | ■ | ■ |
| A | O | N | E | ■ | ■ | A | D | J | ■ | ■ | D | I | E | U |
| Q | U | E | E | N | O | F | D | I | A | M | O | N | D | S |
| U | N | P | R | I | N | T | A | B | L | E | ■ | G | I | N |
| A | T | T | E | S | T | ■ | Y | E | L | L | ■ | S | E | A |


**PIS Brick Field (Mechanised)**

(From time to time rate changeable)

BRICKSAMPLE

PIS

| Class | Rate | Bricks | Amount | Gari Charge | Labour | Total |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1st | Rs. 12.50 | 2000 | Rs. 25000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 27600 |
| 1st | Rs. 12.50 | 1500 | Rs. 18750 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 20750 |
| 2nd | Rs. 12.00 | 2000 | Rs. 24000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 26600 |
| 2nd | Rs. 12.00 | 1500 | Rs. 18000 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 20000 |
| 1st Rej. | Rs. 11.50 | 2000 | Rs. 23000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 25600 |
| 1st Rej. | Rs. 11.50 | 1500 | Rs. 17250 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 19250 |
| Peti | Rs. 11.50 | 2000 | Rs. 23000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 25600 |
| Peti | Rs. 11.50 | 1500 | Rs. 17250 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 19250 |
| 3rd | Rs. 7.50 | 2000 | Rs. 15000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 17600 |
| 3rd | Rs. 7.50 | 1500 | Rs. 11250 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 13250 |

**Contact: 9862048579, 8787464898, 7085684539** (Sunday closed & Phone switch off)

Wangjing Saban Chekon Leikai, Near Khongjom War Memorial Complex.

SL/1198/Alt.50 days